**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 25-08-2024)**

**মনকি বাটঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ১১৩ শুবা মনকি বাট-পুকিংগী ৱা ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি। হন্দক্কী অসিনা শ্রী মোদিগী অহুম্লক শুবা টার্মগী অনিরক শুবা ইপিসোদনি।

থৌরম অসি অকাশবানি অমসুং দুরদর্সন অমদি এ.আই.আর নিউজগী ৱেব সাইট অমসুং নিউজ ওন এ.আই.আর মোবাইল এপপতসু তাবা ফংগনি। এ.আই.আর নিউজ, দি.দি নিউজ, পি.এম.ও অমসুং ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইভ ষ্ট্রিমিং তৌগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা মদুগী মনিপুরি ৱাহন্থোক অকাশবানি ইম্ফালদা শন্দোক্তুনা তাহনগনি। মসি হয়েং নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। হায়রিবা থৌরমশিং অসি এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু নুমিৎসিমক্তদা শন্দোক্কনি। দাইলেগ লোলশিংদনা মথং নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-ভারতকী লান্মীগী মকোক-জেনরেল উপেন্দ্র দ্বিবেদিনা মনিপুরদা লাক্লম্বা অসি মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অমসুং বোর্ডর এরিয়া ওইবনা মফম অসিদা ওইরিবা ফিভম হকথেংননা য়েংশিনবা লাকপা ওইরমগনি।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা ঙরাং পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা পাউমীশিংনা লান্মীগী মকোক মনিপুরদা লাক্লম্বগী মতাংদা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-লান্মীগী মকোক অসিনা ফোংদোক্লম্বগী মতুং ইন্না মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি কেন্দ্র সরকারনা লুমা লৌই হায়বদু খঙলে। মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ৱাথোক অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক

বগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-বিরোধিগী চাউরবা দায়ত্ব লৌরিবা কংগ্রেস দলনা ভারতকী ওইরিবা অপুনবগী শক্তম থুগায়ননবা হেক হেক হোৎনরক্লিবা অসি লাইবক থিবনি।

ঙরাং পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-কংগ্রেস দলগী থৌওং অসিবু সরকারগী মায়কৈদগী অৱাংবা থাক্তা য়ানিংদবা ফোংদোক্লি। মহাক া হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন.দি.এ. সরকার লাক্লবা মতুং জম্মু কাশ্মিরদগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্তুনা অপুনবা ভারত অমা শাগৎনবগীদমক থবক পায়খৎখি।

শ্রী বিরেননা হায়-জম্মু কাশ্মিরদা হান্না লৈবাক্কী মায়োক্তা চথরম্বা হিংশা, সেক্যুরিতি ফোর্সশিংদা নুঙ থাজিনবগী থৌওং য়াওনা হিংশাগী থবক কয়া চথরম্বা অদু শিংথানিংঙাই ওইনা হন্থরে। মহাকা হায়-হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা জম্মু কাশ্মির নেসনেল কনফরেন্সকা কংগ্রেসকা পুন্না চৎমিন্নগনি হায়না লাউথোকখিবা অসি মীয়ামনা অঙকপা পোকখি।

নেসনেল কনফরেন্সকী মীখলগী মেনিফেষ্টোদা য়াওরিবা ৱাফমশিংগী মতাংদা কংগ্রেস অমসুং কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিদা ৱাহং কয়ামরুম হংল্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-জম্মু কাশ্মিরদা তোঙানবা ফিরাল অমা থমগনি হায়না নেসনেল কনফরেন্সনা ৱাশক্লিবা অসি কংগ্রেসনা শৌগৎপ্রা, লমদম অদুদা নেসনেল কনফরেন্সনা অমুক হন্না সরকার পায়রক্লবদি আর্টিকল ৩৭০ অমসুং আর্টিকল ৩৫ (এ) হনজিলহনগনি হায়বা ৱাফম অসি কংগ্রেসনা শৌগৎপ্রা হায়বসিনি। জম্মু কাশ্মিরদা দলিতশিং, গুজর, বকরৱাল অমদি পহারি জাতিশিংদা পীরম্বা রিজারভেসন লৌথোক্কনি হায়রিবা অসিনা তাকপদি কংগ্রেস দলনা রিজারভেসনগী মায়োক্তা লৈ হায়বসি চপ চানা উৎলে।

**হোর্কস দে (এল) ঃ** মণিপুরদা নুমীৎ খুদিংগী পুথোকপা পাউ চেশিং য়েন্থোকপগী থবক তৌরিবা হোকরশিংগী ৪৩ রক শুবা ফাউন্দেসন দে গী থৌরম ঙসি হয়িংখোঙবালদা লৈবা অহানবা মণিপুর রাফলসকী গ্রাউন্দদা মনিপুর হোকরস এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অদুদা রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবা, মনিপুর হোকরস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট-ৱাংখেম অজিৎ অমদি লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্ডকী মেম্বর সেক্রেটরি-মৈস্নাম শিবদত্তা লুৱাং শরুক য়াগনি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা পাউচে য়েন্থোকপগী থবক তৌরম্বা লৈখিদ্রবা হোকরশিংগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎকনি অমদি হান্নগী মেম্বরশিংদা পেন্সনগী শেনফম য়েন্থোক্কনি।

**এআর(এল) ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ন্যু কৈথেলমানবীদা লৈবা অসাম রাইফলস পাব্লিক স্কুলগী মহৈরোইশিং অমসুং ওজাশিংগী এক্সকরসন অমা থা অসিগী ১৮ দা শিল্লোংগীদমক লমথাখি।

খোঙচৎ অদুদা শরুক য়ারুবা ওজা মঙা অমসুং মহৈরোই ৪০ বু ওকপগী থৌরম অমা হৌখিবা ইরাই নম্‌িৎতা কৈথেলমানবীদা পাঙথোকখ্রে হায়রি। খোঙচৎ অসিগী মরুওইবা পান্দমদি, মহৈরোইশিংদা অৱাং নোংপোক লমদমগী ইনাক খুল্লবা কালা সংস্কৃত্তি অমদি হেরিটেজশিং মশক খঙহন্নবনি।

**ত্রিপুরাঃ** ত্রিপুরাদা ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরিবা অদুগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রি-ডা: মনিক সাহনা সভাপতি ওইদুনা রাজনিতি দল পুমমক্কী মীফম অমা ঙরাং অগরতালাদা লৈবা ষ্টেট গেষ্ট হাউসতা পাঙথোকখ্রে।

রাজনিতি দল পুমমক্কী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখিবা মীফম অদুদা ঈচাওনা শোকহল্লবা মীয়ামদা তেংবাং পীনবা সরকারদা খঙহনখি। মীফম লোইরবা তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রি-ডা: মনিক সাহনা হায়-অহানবগী ওইনা

থিজিনবদা ঈশিং ঈচাও অসিনা লুপা কোতি লিশিং ১৫ রোম মাঙহল্লে। হৌজিক ফাওবদা মেদিকেল কেম্প ৭০০ হেন্না পাঙথোকখ্রে। ঈশিং ঈচাওনা অৱাবা মায়োকরিবা মীওইশিংদা চিঞ্জাক্কী পেকেট লিশিং ২৩ রোম নোংথক্তগী থাদখি। ঈচাও অসিনা মরম ওইদুনা মীওই ২৪ লৈখিদ্রে। অনি অমনা শোকখি অমসুং অনি অমনা থিবা খঙদনা লৈরি। লৈখিদ্রবা মীওইশিংদা ক্ষেতিপুরোন ওইনা লুপা লাখ মরি অমসুং অশোকপশিংদা লুপা লাখ অনি মখায় পীরগনি হায়রি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা ঙরাং ফমখিবা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা য়ুনিফাইদ পেন্সন স্কিম চৎনবদা অয়াবা পীখ্রে। পেন্সন স্কিম অসিগী মখাদা কেন্দ্র সরকারগী কর্ম্মচারি লাখ ২৩ মুক্তা কান্নবা পীগনি। থৌরাং অসি মথং চহিগী এপ্রিল অমদগী চৎনবা হৌগনি। কেন্দ্র সরকারগী কর্ম্মচারি অমনা লৈখিদ্রবা মতুং ফেমিলি পেন্সন ওইনা চাদা ৬০ পীগনি হায়রি।

মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম বাইও ই-থ্রি-গ্যাস বাইও টেকোলোজি ফোর ইকোনোমি, ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ইনভাইরোনমেন্ট পোলিসি চৎনবদসু অয়াবা পীখ্রে। কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম লোইরবা তুংদা ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈষ্ণনা হায়-থৌরাং অসিনা সরকারনা নেট জিরো কার্বোন ইকোনোমি ওইহন্নবা হোৎনরিবা অসি হেন্না চেৎশিলহল্লগনি।

মহাকা হায়-বাইও ই-থ্রি পোলিসি অসিনা মালেম অসিদা মায়োকরিবা হনভাইরোনমেন্টকী লমদা থেংনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা স্কিম অহুম অমত্তা ওইনা পুনশিনবদা অয়াবা পীখ্রে। অনৌবা স্কিম অসিগী মমিং বিগ্যান ধারা স্কিম হায়না মমিং থোল্লে। মসিগীদমক লুপা কোতি লিশিং ১০,৫৭৯ খাক্তুনা থমলে হায়রি। স্কিম অসিনা মরুওইবা মচাক অহুম-সাইন্স এন্দ টেকোলোজি, ইন্সটিট্যুসনেল এন্দ হ্যুমেন কেপাসিতি বিল্ডিং, রিছার্স এন্দ দিবলপমেন্ট অমসুং ইনোভেসন টেকোলোজি দিবলপমেন্ট এন্দ দিপ্লোইমেন্টনি।

কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলগী মীফমনা য়ুনিফাইদ পেন্সন স্কিম অমসুং বাইও-ই-থ্রিগী মতাংদা ৱারেপ লৌখিবা অদুবু প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

**অমিতঃ** মাওইষ্টশিংনা থেংনরিবা লাল অসি লোয়শিল্লকপগী তাঙ্কক য়ৌরে হায়না গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ঙরাং ফোংদোকখ্রে।

ছাতিসগরদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়-লেফট ৱিং এক্সত্রিমিজমশিংগী মথক্তা অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা থবক কয়া পায়খৎপা তঙাইফদে। মহাকা হায়-ইং কুমজা ২০২৬ কী মার্চ ফাওবদা লৈবাক অসিদা নক্সলাইটকী সমস্যা লৈহল্লরোই। গৃহ মন্ত্রিনা হায়-ছাতিসগর সরকারনা অথুবা মতমদা সরকারদা চংজরকখ্রবা মাওইষ্টশিংগী অনৌবা পোলিসি অমা হৌদোক্লগনি। লেফট ৱিং এক্সত্রিমিজমনা শোকহল্লবা মফমশিংদাআইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবা অমসুং চাউখৎহনবা হায়বসি কেন্দ্র সরকারগী অচেৎপা ফিরেপনি।

**ডেঃ** থা অসিগী ২৯ দা লৈবাক শিনবা থুংবদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল স্পোর্টস ডেদা মীপুম খুদিংমকা শরুক য়াবীনবা কেন্দ্রগী য়ুথ এফিয়ার্স অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি-ডা: মনশুখ মন্দাভিয়ানা আপিল তৌরি।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী মংলান অমা ওইরিবা ভারতপু মশা মউ ফবা লমদম অমা ওইহন্নবা ৱাখল্লোন অদুগী মখাদা মীয়ামনা মশা মউ ফনা লৈবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে। মহাকা হায়-নেসনেল স্পোর্টস ডে অসি শান্ন-খোৎনবগী লমদা মায় পাক্লবা মীওইশিংবু ইকায় খুমবা উৎপগী খুদোংচাবা অদুখক নত্তে। মসিদি শান্ন খোৎনবনা মীওই অমগী হকশেলগী ফিভম করমা ফনা লৈগদগে হায়বদু নিংশিংহনবনি।

**স্পোর্টসঃ** দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস ওফিস-থৌবালনা শিনদুনা জিলা থাক্কী ইন্টর স্কুল ত্রাইয়েল সেলেক্সন অমা মথং থাগী অনিশুবা চয়োলদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ওফিস অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-থৱায় য়াওবা স্কুল নৎত্রগা শান্নরোইশিংনা ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা য়াওনবগীদমক মশা মশাগী অধার কার্ড অমদি বার্ড সার্টিফিকেটকা লোয়ননা ওফিস মতমদা মেনশিল্লবা ফোর্ম পীশিল্লক্কদবনি।